> "হৌজিকপু তূন্বা মতমলা ইতা, ময়াং ক্বাক্লা লাক্লা খোংলি,
> মীনায় য়োল্লিং কক্কনি চৎখিবা, নথংলেন শিবগী অশি পাউনিনে।"
>
> *- ইরোম শর্মিলা*

## ঈশৈ (Song)

**—অবরে দে ভের (AUBREY DE VERE)**
**—মণিপুরীদা - শ্রীভক্ত**

ঐনা নহা ওইরিঙৈ, ঐনা হায়খি ***অৱাবদা,***
'লাকও ঐগা শান্নমিন্নসি নহাক্না'
মহাক্না লৈররে ইনাক্তা হৌজিক্তি নুমিৎ চূপ্পা;
অদুগা নুমিদাং হনখিবদা হায়রম্মী,
'ঐ লাক্কনি হয়েং অমুক,
ঐ লাক্কনি অদুগা লৈমিন্নগনি নহাক্না।'
চৎমিন্নৈ উমংদা ঐখোয়নি;
মাগী নাশোন্নবা খোঙথাং শহুম্না ইনাক্তা,
শেন্নবিরি থৌশাবিদ্রবা ৱাখলবু,
শাবিরি মহাক্না নিংথম উল্লেন ঙাক্ল-খাংপোক;
অদুগা লোইনাইদ্রবা নোংজু অহিংদা,
ঐনা তারি মহাক্কী মোং-হাদবা শ্বর ইনাক্তা।

## অরি-অনৌ লংদাই

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

পোইনুগী থাবল ইপোল্লক্তা
ঈংথম উলেন খাঙলদুনা
অরি-অনৌ শিন্নবগী লংদাইদা
মিৎকুপ অমতং লেপ্তুনা য়েংজরি
চৎখ্রগদৌবা কুমজা ২০২০ অমদি
খোঙদোই হুল্লক্লিবা কুমজা ২০২১
কয়াগী মতিক পূক্লিং নুংশিরিবা
ৱাখলসে ইনৌতা নৌইদা।
কাউথোল্লগে খল্লুবনি কাউঙমদে
খনখ্ররোই খল্লুবসু খন্দবা মঙমদে
মহী ময়াই কনখ্রবা চহী
কুমজা ২০২০ দো
থৱায় লৈরাং কয়াবু
খাঙডুথক্তা লৈমন চলহনখি
তুশোন মানশোল্লবা কয়া'মসু
খান্বী মৈথক্তা ঊৌবগুম ঊৌখিবনি।
অদুবু তাকপী-তন্বীরম্মী পূম্নমক্তা
ফৎত্রে হায়রিবা ২০২০ নহাক্না
মমল নাইদ্রবা পাউতাক কয়া
লূবা-নানবগী তঙাইফদবা
মচি ওইবা চিঙ্গাক্কী কান্নবা
চৎনবীগী থবক থৌরমশিংদা
অরেম্বদা চাদিং তৌদনবা
মীশিং য়াম্না তিন্দনবা।
উরে ঙসিদি ইমাঙদা লেপ্পরে
অনৌবা কুমজা ২০২১
হরাউ হরাউ ওকচবা নহাকপু
লোয়নদুনা পুবীরকউ নুংঙাই-য়াইফবা
ৱাৎত-পাদবা মীপূম খুদিংমক্কী
ৱাখল মায়থোঙ মকা লাম্বা
তুরৈ-ইরৈ চেন্দবা
অনা অয়েক য়াওদবা।
শেংলবা কোরৌগী মশেক মঙালনা
য়ৈবদা থৱায় পানবা খিবিক্তা
মতম কুইনা ফুম্বংনরম্বদগী
মতু মমাল খিঙলকপা ওইরসনু
শমায় লৈদুনা চৎখ্রসনু
তমথীরবা য়েক্লবা কোরোনা
লুপখ্রসনু পুৱারীগী ঈরোলনুংদা
পুন্সি চূপ্পগী ওইনা অমুক্তংদি।

## চৎখিনুকো ইনাক্তগী লাপথোকখিনু

**—লৈশাংথেম প্রিয়া**

মীওইবগী থম্মোয়বু ঈংহল্লি
মেরাগী থাণিল,পূর্ণিমা নঙনা,
ঈংলবা নঙগী মায়থোংবু য়েংনিংদবা
নঙগী নথানুংদা লোৎনিংদবা,
নঙবু য়েংদবা নঙোন্দা খোইদাদবা কনাবু লৈবগে ?
করিগুম্বা লৈরল্লবা মহাক্তো,থম্মোয় পান্দবা নৎত্রগা,
থম্মোয়দা মৈশা লাংদ্রিবা ওইরমগনি ।
মালেম ইমানা মচা ওইবা ঐখোয়গী
নিংঙাই চাউরবা থম্মোয় অমা পীনবিরম্বনা
ফোঙদোক্লবা থন্বীরমলিব্রা থম্মোয়গী য়াৱা খরদং?
ওইররি নঙনা কাইহৌররি ,
লেঙদনা লৈয়ুকো মেরাগী পূর্ণিমা
চৎখিনুকো ইনাক্তগী লাপথোকখিনু,
নঙগী নঙালদা য়াওজগে ঐসু তিঞ্জরগে ।
অনৌবা চহীসিনা লাকপদা
পীনবীয়ু নহাক্না ঈংনা থোৎলবা অমেংবা
মেরাগী থাণিল,পূর্ণিমা অমা ।।

## ময়ামগী হেপ্পি ন্যু য়র

**—মৈস্নাম বিরমনি পল্লারবোন্দ**

নৎতে খঙনৈ ঐখোয়গী চৎনবী
য়াবদি তোক্তে চীনথীবা ঐসু
তান্নরি নংহৌররোই মতাগুম
ওঁ হুঁ থা থৱান মিচাক।
লায়র অনং লোৎখি
কাউনরি অরৈ লৈতসু
লীচিংনি নঙগী অকনবা
মালেম থুংনা য়াহনখিবা।
খঙনদ্রি ওইরকখিবা করম্না
থিনদে মওং য়ানখিবগী
মতুং ইন্নখি মরী মরী
য়াওশিংদু শাকক শংদা।
খঙহল্লি ঋতু বসন্তনা
চহীগী লোইবা হৌবদু
মার্চ ফাইনান্সিয়েল হায়নবদু
য়াওশঙ থাবলদা ঙাওনরি।
ষণ মচি হৌবা থা
চীংজিন লাক্লে হায়নবা
কুমগী নোংজুনি নীংতমথা
শজিবুনি চহীগী অহানবদু।
লৈজবা মথেল মকোইনা
নুংশিননি য়ুমলোন তরেৎ
খৎন-চৈনবদু ঙরাংনি
ঙসিদি অনৌবা চহীনি।
নংনবা হোৎনজবী ইমাদি
মথেল শুনা লাংজৈদো
য়ূমলোন তরেৎ য়েনগনি
নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননি।
নংলরোই থেংলনি হোৎনবদা
লোইশিনবা নংহৌদ্রবী শল্লাংনা
পীশুম ময়াদগী নোক্লকপদু
নুংশিবনিদা অনৌবা চহীদা।
অকনবা শক্তিনা নৈখিবরা
শেলগী নাপলনা লৈখিবরা
চুমদে লাল্লি হায়নদে
মালেম পূম্বনা য়ানরি।
য়ুনিভর্সেল ক্রুথ হায়বদু
তাকপীয়ু মসিবু কৌবরা
মালেমদগী তোঙান্না নাইতোম
ঙমজদে ঐসু হিংবা।
ইল্লগে নতুং নখোয়গী
য়াইফ থৌনি নিরগে
পেন্দ্রবা পূক্লিংবু থেমজিন্না
হেপ্পি ন্যু য়র হায়রগে।
মালেমগী য়াইফবা ওইহল্লু
অনৌবা চহী নহাক্না
তোকহল্লু শক্তিগী চাংয়েং
ধর্ম্মগী লানসু লেপহল্লু।
মালেমদা নুংশি চান্নবা
শক্তিগী ঈরীক খিকপীয়ু
তরাম্না ওকচরি নহাকপু ২০২১
খোঞ্জেল থোক্লা লাউরগে
হেপ্পি ন্যু য়র, হেপি ন্যু য়র, হেপি ন্যু য়র

## মাঙখ্রবা মশক

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

নঙ
ঐনা উরম্বা মশক অমা
ঙসিদি উবা ফংখিদ্রে,
পোইনু থাগী
লৌবুক লম্ফাংশিংদা।
অনৌবা যুগকী
মেছিনগী খোঞ্জেলতনা
লৌবুক লম্ফাং নীনখ্রে।
খুঞ্জাশিংগী খুল্লং ঈশৈ
চৈরোং তান্থাদা শক্লম্বা
তাখিদরে ঙসিদি
পোইনু লৌবুক্তা।
চৈরোং, হুমাই, ফৌইনতোক
লিফক উবা ফংখিদ্রে,
অনৌবা যুগকী
অনৌবা মশক অমনি।

## চহী, চৈচৎ ২০২১বু ওকচবা

**—অঙোম ইবোমচা**

লাক্লেদো লাক্লেদো
অনৌবা চহী, চৈচৎ ২০২১-২০২১
পুদুনা য়াইফ পাউজেল
শিন-থুংনা মালেমদা।
হুক্লসি হুক্লসি ঙকশম থন্না
লৈরাংগী পরেং অচূম্বনা
হরাও মোমোন মীনোক তম
থম্মোয় মকা-লাম
য়াইফ থৌজাল নিরসি
লাক্লেদো লাক্লেদো
অনৌবা চহী, চৈচৎ ২০২১-২০২১।
শাৎলগনি ফুগায়না মনীং-তম
শিঙেল-লৈরাং খিবিকসু,
পাইরক্লগনি খোইমুশিং,
মপু মাগী লৈকোন্দা।
চাকহোং ঙাহোং নিহৌসি
লৈবাক মরা তপ্পবা
পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা
কাঙলূপ-ফুরুপতি খায়দনা
লাউরসি অপূনবগী খোল্লাউ
জয় ওইরে জয় ওইরে
চহী, চৈচৎ ২০২১-২০২১।

## অনৌবা চহী ২০২১

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

তিনফা কাকফৈ মরক
তুমিৎ কাং মরক্তা
চৎখি লোইবা নাইদনা
ৱাকচীংগী উলেনলক্তা খাঙজখি
অৱা চৈথেং কয়া
লাইবক থীবা ২০২০।
মসিবু ঐগী খূৎশেমলা?
তাইবঙ মী নঙনা
মহৌশাগী খল কায়হনবা
চাওখৎপগী মরুমদা নঙনা
নীংবা কায়না হলহনখিবনি।
পীরল্লগে ঙসিদি নঙোন্দা
য়াইফ পাউজেল ইতা
নঙ ঐগুম্না ওইগনু
ঐদি পাউথোকপীবনি তাইবঙনা
ঐদি লানখিদে তশেংনা
মহৌশাগী ঋতু খোঙচৎনি।
ইতা ইবেম্মা ২০২১
শান্তি পামজবী ইতা
পীবিরম্মু তাইবঙ মালেমসিদা
নাদ য়েক্তবা কংলৈচা
মীয়োক ফবী ওইবীয়ু।
নঙগী নতিক নঙাল
অমম্বা মালেম ঙালহল্লম্মু,
থাদোকউ শাগী লমচৎ
চাওখৎপদা নশা য়াও
ওকপীরম্মু ইতাবু মালেমসিদা
তাইবঙ মীওইবা তরাম্না
চৎলে ঐদি কপ্পা
লৈহৌরোকো ইতা ২০২১
লাইবক ফবী ওইবীয়ুকো।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ওঝা খংজ্রাকপম কুঞ্জোগী ফোকলোর নৈনবা ৱারেং লাইরিক




মীওইবা খুন্নাইগী পূন্সি মহীং, মহৌশাগা লৈনবা মরী কয়া অসি মালেমদা লৈরিবা মফম খূদিংদা মান্নদবনা, অকক্লবা ফোকলোরগী কাংলোন অমদা পাদম লাক্লগা খঙনবা থিবদা অরুবা অমা ওইরি। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি পীকচরগসু চীং অমসুং তম অনীমক্তা খুন্থোকওঁদগী চৎনরক্লিবা,লৈজরিবা নাৎকী ওইজবা মশকশিং অসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে অমদি কুপসু কুপখ্রবা ঙাক্তনি। মসিখক খঙনবা নৈনবা অমদি মচাক খোমজিন তাশিনবদা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্লরি। ফোকলোরগী মচাকশিংদি মরাঙ কায়না ঐখোয়গীসু লৈরে, মসিগী মরমদা মীপূম খুদিংমক্লা খঙননবা, নৈননবা, মসিগী কান্নবা খঙমিন্ননবগী লাইরিক্তি ঐখোয়গী ওইনা মশীং লীল্লি। মচাক্তি থন্বীরল্লে নৈনবদি ঐখোয় য়াম্না ৱাৎলি । নৈনবা ৱাৎলিবসিগী মরম থিরকপদা ওজা খংজ্রাকপম কুঞ্জোনা ফোকলোর নৈনবগী লাইরিক মরাঙ কায়দবনি হায়বসি খঙবীদুনা "ভারতকী ফোকলোর নৈনবা ৱারেং খরা" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা মতম চঙনা হোৎনবীদুনা ঙসি অনৌবা চহীগী খুদোল ওইনা পুথোকপীরক্লি ।

ফোকলোরগী বিজ্ঞান নৈনবা য়াম্না পাক চাউই। মীওইবা খুন্নাইনা লৈরিখৈ ফোকলোর লৈগনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা তাকপীখিবা ৱাহৈশিং নীংশিংজরি ।ওঝা খংজ্রাকপম কুঞ্জোগী "ভারতকী ফোকলোর নৈনবা ৱারেং খরা" হায়রিবা লাইরিক অসি পাজবদগী কান্নবা অমদি থম্মোয়দা ফাওরকপা ৱাফম খরদি লৈরে। লাইরিক অসিদা শীজিন্নরিবা বনানগী কাংলোন ওজাগী ওইনা তোঙাল্লি। ওজাগী ওইবা খুৎইনি। মরুওইরিবদি ওঝানা ইরিবা লাইরিক মনুংগী টেক্সটশিং অসিনি। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা ঙল্লিঙৈদগী চিনবুংদা হায়নরকপা, 'মৈনা ৱাই তাংনা শম' হায়বসি মণিপুরী ফোকলোর নৈনরকপদা পাম্বৈ অমা ওইনা, পাউখোং ওইনসু চল্লগা থন্বীরম্বনি হায়বসি ওঝাগী লাইরিকসি পাজরুবদা হেন্না চুনরকপা থেংনৈ। মীরোল অমদগী মীরোল অমদা, খুন অমদা লৈকাই অমদা মৈহৌরোলদগী চৎনরক্লিবা পোকপদগী শিব ফাওগী মনুংদা লৈরিবা ময়াম অসিবু ঙাক-শেনবা, খোমজিন তাশিন্দুনা থমহৌবা হায়বসিনা ঐখোয়গী অশেঙবা ঈরলনি। অশেঙবা ঈরল অসি ঐখোয়না ঙসি কয়াম ঙাক শেল্লবগে হায়বসি ঐখোয় হায়বা ঙমদে, উবসু ফংদ্রি। মসিগী মমলসি ঐখোয় মীপূম খূদিংনা থিজিন্দুনা খঙবা য়ৌদ্রি। ওঝা কুঞ্জোনা পুথোকপীরিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী ফোকলোরগী মরমদা ঙাক্তা ইবা নত্তে হায়বসি মমিং অসিনসু অদুম তাক্লি। ভারত্তা করম্না ফোকলোর নৈনবা হৌরকখিবা, করম্বা মতমদা চাউখৎলকখিবগে হায়বা তেনতকপা পুৱারী লিখুন অমা পীরম্লগা মরুওইবশিং তাঙ্কক নাইনা লাইরিকসিদা নৈনরি। ইংরাজি তাকপী তন্বীরকপা ইংরাজিগী লিটরেচরদা নৈনবীরকপা ওজা ওইবনা নোংচুপলোম সাহিত্যগী অমদি কলচরগী মতাংদসু লাইরিক অসিদা মতাং মতাংগী হাপচিন্দুনা নৈনবীরি। ভারতকী ফোকলোরগী মশক্কা, য়ুরোপ অমেরিকাগী মচৎ অনীসি মান্নদে, য়ুরোপকী নোমুনাদা পানশিল্লগা নৈনবদা চানরোই হায়না ওঝানা তাকপীরিবসি অচূম্বা ৱাফম্মি ।

ফোকলোরগী মরুওইবা মচাকশিংগী মনুংদা ফোকটেল,ফোক সোং, মিথ, লেজণ্ড , লাইতিনগা মরিলৈনবা ৱারী শীংবুন,পাউরৌ পাওখোং, ফুঙ্গা ৱারী অসি অমনি হায়বসি ঐখোয়না থেংনরকই। ফোকলোরিষ্টশিংনা মাগী মাগী চান্নজবা, অপাম্বা হীরমদা হেন্না নৈনবসু থেংনজখি। মীওইবগী পূন্সি মহীং মান্নদবনা,মান্নদবা ৱারী লৈনবনি হায়বসিমসু খঙনরে। অয়াম্বনা ফোকলোরগী নৈনবগী মতাংসি ইমান মান্নে। ওজা কুঞ্জোগী লাইরিকসিগী ওইনা তোপ তোপ্পদি,লমদমসিদা পুথোক্লখিবা ফোকলোরগী লাইরিকশিংদা নৈনদবা হীরম মতাং খরা য়াওরিবসি ঐখোয়দা য়াম্না পূক্লিং লৌশিং ওইবা খঙবদা কান্নরবা অমা ওইগনি। লাইরিক অসিদা হীরম তরা তরেৎ (১৭) থোক্লা মচা খায়না তাকই । লোইনমক মরুওইবা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। ঐঙোন্দা ফংজখিবা কান্নবা অদুগা ফোকলোর খঙনীংনা তমজরিবা মহৈরোইশিংদা কান্নগদবা মতাং খরদি পঞ্জনিংঙি। "মধ্যপ্রদেশকী গোন্দ অমসুং ভিলশিংগী শুরুংগী অয়েক-অহক লাইশিংঃ ফউক লিটরেচরগী মিৎনা উবা ৱারীশিং"(লাঃ৩৯-৫১), "বিভুটি ভুষণ বন্দোপধ্যায়গী **পথের পঞ্চালি**দা য়াওবা ফউককী মচাকশিং" (লাঃ১৫৬-১৭১), "ভারতকী থিয়েটরদা ফউক্কী মফমঃ **যাত্রা, কথকলি, টামাশা, নাউতাঙ্কি** অমসুং **পালা**" (লাঃ১৮১-১৯৫), "ভারতকী ফউক ড্রামা অমসুং থিয়েটর"(লাঃ১৯৬-২০৭), গিরিশ কর্নাদকী 'হয়াভদনা' দা মিথ অমসুং ফউকলোর"(লাঃ২০৮-২১৭) অমদি " অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীগী শৈরেংদা মিথ, লেজণ্ড, ফউকটেল অমসুং ব্যেলডপু ষ্ট্রেটজিশিং ওইনা শীজীন্নবা " (লাঃ২১৮-২২৯)হায়বা তাঙ্ককশিং অসিনা লাইরিক অসিগী মশক অসি অনৌবা মমল লৈবা অমা ওইহল্লি। তাঙ্কক অসিখক খঙজবদা অমদি পাজবদা লাইরিক অসিগী কান্নবা মরুওইবসি থেংনজৈ।

অয়েকপা লাইসু মরোল লোল্লি । মীওইবনা ৱাহৈ থোকলকত্রিঙৈদা সাইন লেংগ্বেজ হায়দুনা খুৎ-শা থিন্দুনা হান্না চৎনরকই । চৎনরিবা সাইন লেংগ্বেজ নৎত্রগা লোনফাও খুদমশিং অসিগী মনুংদা অয়েকপা লাইনা ফোঙদোকলিবা ৱাহন অসি মরু ওইবা অমনি। অঙনবা মতমগী নুংপাক্তা, ফক্লাংদা হকলম্বা য়েকলম্বা লাইশিংদা, মীওইবা কাঙলুপ অদুগী নাৎকী মশক্কী মমি তাই। মতম অদুগী মীরোলশিংগী পূন্সিগা মরী লৈনবা ৱারী য়াওই হায়বসি ফোকলোরিষ্টশিংনা হায়নখ্রবা নৈনমীশিং, ক্রিটিকশিংনসু য়ানখ্রবা ৱাফম্মি। অঙনবা মতমদা ইজিপ্ট,গ্রিক,পেরিষ্টকী অরীবা যুগকী মীওইশিংনা নুঙপাক্তা ফক্লাংদা, চীংমাইদা য়েকলম্বা,হকলম্বা Palaeolithic, Mesolithic, Neolithic, Bronze Age, Iron age গী লাইশিংদা মখোয়গী ফোকলোরগী মচাকশিং কয়া য়াওবা ঐখোয়না উরি। ফোকলোরগী বিজ্ঞান নৈনরকপদা ওঝাগী লাইরিক অসিদা ইন্দিয়াগী গোন্দশিংগী অয়েকপা অহকপা লাইশিংদসু খুৎ থিল্লগা কূপ্পা নৈনদুনা মশক তাক্লি। মসিগা হায়রপ মান্নবা মওংদা ঐখোয় মণিপুরগী ঙাক্তা নৈনবদসু য়াম্না চাউবা অমা ওইগনি। মণিপুরগী চীংগী লমদমদা খুল্লাকপগী য়ুমগী ফক্লাংদা হক্লিবা অরীবা লাইশিং খুদম ওইনা পুরুল, সেনাপটি ডিষ্ট্রিক্তা লৈবা 'Ngaiki' হায়না খঙনবা য়ুমগী ফক্লাংদা হকপা লমওক্কী শাকোক, মাওগী 'Ochiyho Kosomychi' হায়না খঙনবা য়ুমগী ফক্লাংদা হকপা ইরোই,ষন্দংগী মকোক, তাঙখুলগী খুল্লাকপগী য়ুমগী মমাংথংবা ফক্লাংদা হক্লিবা মী মকোক পরেং, কৈ, নুপীগী হকচাং কয়াৎ অমদি কবুইগী অহোং য়ুমদা হক্লিবা লাইশিং অসি মণিপুরী ফোকলোরগী মচাকশিং ঙাক্তনি। অসিগুম্বা অয়েকপা অমদি হক্লিবা লাইশিং অসিনা চীংগী পূন্সিগা মরী লৈনবা শাজৎ,চৎনবী,তৌবা ঙম্বা অকল-অথৌ উৎপা,খুন্থোকলোন মশক তাক্লি । ঐখোয়গী লমদমসিদা ফোঙখিবা ফোকলোরগী লাইরিকশিংদা মতাংসি য়াওনা কূপ্পা নৈনবা লাইরিক থেংনদ্রি। অদুবু ওজা কুঞ্জোনা তুংদা চঙশিল্লক্লবগী ইঙ্গিৎ অমা পীরকপসি মমল য়াম্মী।

ভারতকী নৈনরকপসিদা ওজাগী লাইরিকসিদা উপন্যাস বিভুটি ভুষণ বন্দোপধ্যায়গী **'পথের পঞ্চালি'** দা মীৎয়েং থমদুনা ফোকলোরগী মফম পুথোক্লবা হোৎনরকপসি অতোপ্পা মশক অমনি, চাংয়েংনি, ঐখোয়না খল্লুদবা অমসুনি । **'পথের পঞ্চালি'** অসি নন-পরফোমিং আর্ট অমা ওইরিবা বংলা ফিল্ম অমা ওইনসু সৈত্যজিৎ রায়না পুথোকখ্রবনি। উপন্যাস অসিদা বঙ্গালি নাৎকী মশক, লান্না শন্দোক্তুনা মীবু থাজহনবগী চৎনবী (অন্ধবিস্বাস),তোকঙা শন্দোকপা, চৎনরকপা পূন্সি মহীং মশক তাক্লি। পরফোমিং আর্ট ওইরিবা লীলা, ড্রামাশিংদসু ফোকলোরগী মফম লৈ। ফোকলোরনা য়ৌশিনবা ঙমদবা, য়াদবা মফম লৈতে হায়বসিমসু লাইরিকসিনা উহল্লি। অতৈ পরফোর্মিং আর্টশিং-টামাশা, কথকলি, নাউটাঙ্কি অমদি ইন্দিয়াগী ফোক থিয়েটরশিং নৈনবা য়াউরি। লাইরিক অসিদা মণিপুরগী ফোক থিয়েটর শুম্মাং লীলা, মোইরাং পর্ব্ব পুশিন্দুনা নৈনরমদবতনি ঐখোয়গী লাই হরাউবা, মোইরাং পর্ব্ব লীলাদসু ফোকলোরগী মফম চাউনা লৈহৌরি। ফোকলোরগী মচাক থন্না য়াওখ্রবা ঙাক্তনি। পুথোক্তুনা নৈনবদা হেন্না চাউবা লাইরিক ওইগনি।

মণিপুরী লিটরেচরগী শরুক অমা ওইনা অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীগী শৈরেং খর লৌখৎতুনা শৈরেংশিংদা য়াওরিবা মিথ, লেজেণ্ড, ফোকটেল অমদি ঈশৈ ৱারী ওইনা নৈনরিবসি মীৎয়েং অমদনি। ফোকলোরগী মচাক য়াওব্রা হায়না লাইরিক অমবু খনগৎতুনা নৈনবসি ওজাগী অশানবা মীৎয়েং অমদা য়েংবা উজৈ। মসিমসু নৈনবা য়াই, পুথোকপা য়াইনা হায়না ওজানা খঙহনবীরিবসি মমল য়াম্মী। নৈনবা য়াবা লাইরিক কয়া লৈহৌরি হায়বা ওজানা হেন্না খঙবীরিবনি । লাইরিক অসিনা খুদম ওইরগা কনাগুম্বা অমনা অমুক লমদমসিগী খোরিরোলশিংদগী অমদি তোঙানবা আর্টফোর্ম ময়ামসিদগীসু থিজিন্দুনা ফোকলোরগী লাইরিক কয়া মথং মথং ফোংলক্লবগী লম্বী অমগী মাইকৈ তাকপীরি । ভারতকী লৈরিবা অতৈ তোঙানবা ফুরূপ কাঙলুপশিংগী নাৎ অমদি চৎনবীগা মণিপুরগী নাৎকা চাংদম্নদুনা খেন্নবশিং হেন্না মশক তাকপা য়াবশিংগী পো অমসু ওজানা তুংগীদমক কাঙদুনা থন্বীরম্মী। লাইরিক অসিনা ফোকলোরগী জ্ঞান নৈনরকপদা মতেং চাউনা পাংলগনি থাজজৈ ।

মণিপুরগী ওইনা ফোকলোর নৈনবীবা অখঙ অহৈ ওঝাশিংগী মশীংসি পংয়াম য়ামজদে । ওঝাশিং খরখক লৈরম্মী অয়ম্বনা লাইওইখ্রে । ওঝাশিং অদুনা লৈরিঙৈদা লাইরিক খরা পুথোকপীরম্মী। মখা তানা ফোঙদুনা নৈনবা পুথোকলকপা মীওইশিং লৈরকত্রবা মতম অসিদা ওঝা খংজ্রাকপম কুঞ্জোনা অনৌবা চহী ২০২১ চহী অসিনা লাকপগা লোয়ননা ফোকলোর নৈনবগী লাইরিক অমা মীয়ামদা ঙসি খুদোল তৌবীগগৌরিবসি ওঝাগী অচৌবা খুদোলনি। মরুওইনা মহৈরোইশিংগীদমক মমল য়াল্লবা ওঝানা পীবীবা খুদোলনি। অনৌবা চহী অসিনা লাকপদা চেফোং অসিবু পাবীরিবশিং অমদি ওঝাগীদমক য়াইফ-মঙ্গোল নীজরি ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৭৯

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

নুপামচা অদুনা হায়, "মহাত্মা গান্ধীসু চৈ পায়রগা চৎলিদুদি, ঐখোয়দি ইরাল লৈতে। মসিদি হোকি ষ্টিকনি, মসিদি বোল ফাওবা ফুম্বদা শিদে, মীদি করমহাইনা শিগদৌরিবনো?"

প্রিন্সিপাল সাহব অদু অমুক মপান্দা থোক্লকই অদুগা মহাক্না হায়, "লাকপিরো মেম্বর সাহব, মনুংদা চঙলসি। মী লোয়না লাকখ্রে। মীফম হৌগদৌরে।"

বলরামসিংহনা মহাক্না য়েৎলিবা ফী অদুদা হুমাং তৈথোক্লম্মী। অদুগা হায়রকই, "নঙগী মীওই অমদা শগোলগী চান-থক্লবা পীনবা হায়খো। মনুংদা তৌগদৌরিবা মীফম অদুগা ঐগা করি অমত্তা মরী লৈনদে! ঐদি মফম অসিদা অদুম লৈরগে।"

প্রিন্সিপাল সাহব অদুনা হরাউরদুনা মকোক নোল্লম্মী, বলরামসিংহনা কুর্টাদুগী ফুরিৎখাউদগী খুৎনা পায়রদুনা হায়, "থাজদ্রগা মসি পায়দুনা য়েংবিয়ু। ফুরিৎখাউ পোংথোক্লিসে। মসিনি অচুম্বা মশিং শুবা হায়বদু।"

প্রিন্সিপাল সাহবনা মখুৎনা হেক পায়রুদ্রবসু পায়রবদৌনা হায়, "ঐনা পায়রে হায়না খল্লো। অদোমগী ৱা লেম্না মাঙবা হৌনবরা?"

বলরামসিংহনা হায়রকই, "অশেংবা বিলায়টিগী পোৎনি, মরু তরুক য়াওবদুনি। দেসি নোংমৈশিংদি মরু অমা হেক কাপ্পগা মখা তানা কাপ্পা য়াদবা অদুগুমবা নত্তে। দোং-দোং কাপ্পা হৌখিবদা রামাধিনগী কাংলুপকী মীওই তরুক-তরেৎতি উচেক তাবগুমনা লোংনা হাইথরদবনি।"

"করি হায়রগা থাগৎক্কনি অদোমবু! করিবু হায়রসিগে! প্রিন্সিপাল সাহবনা হায়রিবা মওং অদু তশেংবা শৈরেং অমগী মমিংদা হায়হন্নিংবা ৱাফম অদু বলরামসিংহগী মচিন্দগী হেক তাবগা পাঞ্জক ওইখ্রে। চৎন-চৎনা হায়, "ঐ মীটিংগীদমক মনুংদা চঙলগে। মপান্দনা সোম্না য়েংশিনবিরম্মু।" হায়জবগী মওংদা মহাত্মা ৱিদুরগী খোঞ্জেলদা হায়রকই, "ঈংনা-তপ্না থবক তৌবিয়ু।"

বলরামসিংহনা অমুক হন্না মহাক্কী মকোয় অদু পায়রদুনা থেক্কৎলদুনা হায়, "পুম্নমক শান্তিদা লৈরি। মফম অসিদা শান্তি ৫০/৫০ হেন্না ফৈগলগী মখাদা তাদুনা লৈরি।"

প্রিন্সিপাল সাহব অদু মনুংদা চঙখ্রে। বলরামসিংহ গেট ময়াদা ফমদুনা লৈ। ঙাইহাক মহাক তম্বাকু চারদুনা মতিন শিংতোক্তুনা লৈ, অদুগা মনাক্তা লৈরিবা নুপামচা, ঙাইহাক্কী মমাংদা মশাবু মহাত্মা গান্ধীদগী হেনবা অহিংসাৱাদিগুম উৎখিবদুদা হায়, "ইবুংঙো কোলেজ হায়ফেৎ য়েংলুরগা লাকউ, ঐখোয়গী মীওইশিং চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা লৈরিবরা হায়বসু য়েংলকউ। অদুগা রমেসরাদা হায়রম্মু কনা অমত্তগা খৎনগনু হায়না। করিগুম্বা ৱা হায়রগা থেম্বদা য়াদবা মী লৈরবদি শোমদা থারকউ হায়য়ু।"

নুপামচা অদু বোই-স্কাউট অমগী মতৌগুম লানফমদা মায়পাক্তুনা লৈবাক অমবু কনবগী মওংদা য়েংশিন্নবা চৎখিরম্মী। অকোয়বদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা নুপামচাশিংগী মশিং হেনগৎলকই। বলরামসিংহনা হায়,"খরা খজিক চাওনা কোয়রগা লাকউ, করিগুম্বা অমত্তা চিংনবা তৌগনু। ঐ গেট ময়া অসিদা হেক লৈরিবমখৈ য়েক্লবা অমত্তা মফম অসিদা চঙলকপা ঙম্লোই।"

নুমীৎ অদু পুং ৩ তাখ্রে। লম্বীদা ট্রক অমদি ষণ গাড়িশিং চৎপা হৌরক্লম্মী। বলরামসিংহ গেট ময়া অদুদা লিননা কোন্থদুনা ফমখিবগুম মরা চেৎনা ফমখ্রে। চৎথোক-চৎশিন তৌরিবশিং অদুবু য়েংদুনা লৈরম্মী। শগোলনা খোংবা মখোল তাবদা মহাক্না লাউরদুনা হায়, "ভেরি গুদ চেটক, খাঙবা কল্লু। মতম চানা নঙগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফঙগনি।" চেটক অদুসু খাঙবা কল্লি হায়বদু উৎপা ওইনা শগোল অদুসু লম্বীদা ঈশিং হৈদবা হৌরকই। নুপামচা খরা শগোল অদুবু কোয়শিল্লদুনা শগোলনা তৌরিবা থৌওং হৌদ্রিঙৈগী মমাং অমদি লোয়খ্রবা মতুং ফাওবা য়েংদুনা লৈ অদুগা মখোয় মশেন য়াম্না অরুবা ফাগি কয়া তৌদুনা লৈরম্মী।

ইখঙ খঙহৌদনা ট্রক অমা কোলেজগী মমাংদা খাল্লরে। অঙৌবা কুর্টা, ফৈজোম, টোপি অমদি চৈশুবা পায়বা নুপা অমা ট্রক অদুদগী চোংথরক্তুনা য়াম্না য়াঙনা কোলেজগী মায়কৈ তম্না লাক্লম্মী। নুপামচাশিং অদু ট্রক অদুনা খামখিবা হেক উখিবদগী লাপ্পা-লাপ্পা লৈরম্বা নুপামচাশিং অদু গেট ময়া তম্না চেনশিল্লকই। বলরামসিংহনা অঙাংশিং অদুদা চৈরদুনা হায়, 'খুরুমজরি পন্দিট।'

নুপা অদু মচিন্দা মুরুম-মুরুম শোল্লদুনা থোঙ তম্না চঙশিনখি। বলরামসিংহনা লাউরদুনা হায়, "পন্দিট খরা তপ্না চৎপিয়ু। নঙোন্দা কনা অমত্তনা শোক্লোই।"

পন্দিট অদু পৈরদুনা হায়ফেৎ নোক্লদুনা হায়রকই, "মীটিং হৌখ্রবা নৎত্রা?"

বলরামসিংহ লেপখৎলকই। তপ্না পন্দিটকী মনাক্তা লাকই। নুপামচশিং অদুসু মনাক নক্লা কোয়শিল্লকই। মহাক্না চৈরদুনা হায়,"চৎলো, অঙাংশা য়াম্না থাপ্না চৎতুনা শান্নরুরো।" অদুগা নুপা অদুদা হায়, "পন্দিট, মীটিংদা অদোমগী এটেন্দেন্ট পানখ্রে। হৌজিক হনবিখ্রো।"

পন্দিট অদুনা করিগুম্বা খরা হায়বা পাম্মী, মতম অদুদা বলরামসিংহনা পন্দিটকী মনাক অমুক্কা হেন্না নকশিন্দুনা হায়, "ঐ করিগুম্বা ৱাফম খরা খঙবনা হায়রিবনি, অদোম হনখ্রো।"

পন্দিট অদুনা মাগী খ্বাংদা করিগুম্বা অমা নমশিল্লকপদৌনা খল্লি। মহাক্না বলরামসিংহগী কুর্টাগী ফুরিৎখাউদা হায়ফেৎ য়েংই। ইঙক ঙক্লা মহাক খোঙফম অনী হন্দোকই।

বিদাই পীরদুনা বলরামসিংহনা হায়, "পন্দিট খুরুমজরি।"

নুপা অদু তুমিন্না হনখ্রে। লম্বী অদুদা তোংবা য়াবা গাড়ি অমত্তা লৈরমদে। ট্রকতি চৎখ্রে। মহাক মখোঙনা মায়কৈ অমরোমদা অদুমক চৎখ্রে। নুপামচা অমনা হায়, 'চৎখ্রে।'

বলরামসিংহনা হায়, "পন্দিট য়াম্না ৱা খঙবা মীনি। মহাক জ্ঞান তাখ্রে।"

মহৈরোয় অমনা ৱাহং হংই - "জ্ঞানদি তাখ্রবনি, অদুবু মতৌ অদুম্না করিগী চেনখ্রিবনো?"

বলরামসিংহনা হায়,"হৌজিক নঙ অঙাং য়াম্না ওইরি! অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা জ্ঞান তাবা মীশিংনা মতৌ অদুগুম্না চৎনবনি।"

মহৈরোয় অমা শগোল অদুনা চান-থক্লবা থৌরাং তৌরম্মী। শগোল অদু অমুক হন্না খোংলকই। বলরামসিংহনা হন্দক্তি চৈরদুনা হায়, "তুমিন্না লৈয়ুহে চেটক!"

বোই-স্কাউট অদু হল্লকখ্রে। শগোল অদুগা ৱারী শান্নরিঙৈ চৈরক অদুদা মহাক্না হংই, "হে নুপামচা, করি পাউ লৈ?"

স্কাউট অদু পাখৎলম্মী। পাখৎলবা লাইরিক হৈতবা মহৈরোয় অমগী মতৌগুম ময়া কাথোক্তুনা হায়, "হোয়, থাকুর সাহব! পুম্নমক তেক্ত-কাইদনা লৈরি।"

"মীওই কয়া লাকখি? "

"মঙা ।"

"পুম্নমক জ্ঞান তাখ্রবরা নৎত্রগা জ্ঞান তাদবগী মওং তৌরকপা য়াওবরা?"

"পুম্নমক জ্ঞান তাখ্রে।" নুপামচা অদু থৌনা অমুক লাকখ্রে। থাপ্না চৎলিবা পন্দিটকী মায়কৈদা মখুৎ থিন্দুনা মহাক্না হায়, "মহাক্কী মতৌগুম্না থুনা য়াঙনা লোয়না হন্নখ্রে।"

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।